থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সনালৈবাক মণিপুর হক্চাং শাজেল থাং-তা শিন দম শঙলেন নম্বোলনা শিন্দুনা খাজিরি মমাংগী মহৈলোইশঙনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদা খোংজোম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা খোংজোম দেগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱার্কর পি গুনা সিংহ অমদি শঙলেন অসিগী প্রসিদেন্ট এল চঁউবা লোয়ননা শঙলেন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ দামু সিংহনা মথংশিংনা থৌরমগী অথোইবা অতিথি, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা খোংজোম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী অথোইবা অতিথিগী ৱারোলদা হায়, হৌখিবা চহী ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩ দা মণিপুরগী ইতিহাসতা মুৎনাইদ্রবা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগদবা নুমিৎনি হায়না শিংথাখি। লোয়ননা মরুওইবা থৌরমদি সহিদশিংগী মফমদা মহৈরোইশিংনা থাং-তাগী থৌরমনা খুরুম্বগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বনা থৌরম অদুগী মপুং ওইখি হায়রি।

নিংশিং থৌরম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ২৫ দা খোংজোম তেঙ্গোল লম্পাক খোংজোমদা চহী ১২৮ শুবা এঙ্গলো মণিপুরী লানফমগী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা মরৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখিবা অথৌবা লানমীশিংবু খোংজোম বেট্টল মেমোরিয়েল কম্মিটি মণিপুরনা শিন্দুনা মহৌশাগুম নিংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কম্মিটি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংশিং থৌরম অসি চহী ২৫ মপুং ফারক্লে মসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা অচুম্বা পাম্বা অমদি থিজিন হুমজিল্লিবা মীওইখুদিংমক্না শরুক য়াবীদুনা থৌরম অসি মপুং ফাহনবীয়ু। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা খন্ন-নৈনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নসি হায়বা ৱাফমসু কম্মিটি অসিনা থল্লক্লি। ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খোংজোম লানগী অশেংবা নুমিৎ অসি ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লিবা অসি মীয়ামদা খঙহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১ দগী হৌগনি। থৌরম অসিদা ইনখৎলক্লিবা তুংগী নহারোলশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়না খোংজোম বেট্টল মেমোরিয়েল কম্মিটিমণিপুরগী চেরোল অমনা অপিল তৌরক্লি।

ঈ দান তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী লমজিং মখাদা এসোসিয়েসন ওফ ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা রিমস, জেনিমস, এন এস এস য়ুনিট, ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ, থৌবাল কলেজ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগা খুৎশম্নদুনা খোংজোম দে নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা নুপা-নুপী পুন্না মীওই ১০৪ না ঈ দান তৌখি। মসিগী মনুংদা নুপা ১৭ য়াওরি। পাঙথোক্লিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগী মতাংদা এসোসিয়েসন ওফ ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনর মণিপুর থৌবাল ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি নবকুমার টি সিনা হায়, ইং ১৮৯১ গী খোংজোম লান্দা মমা লৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা লাওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংবুইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অসি শিনবনি।

লোয়ননা ষ্টেট অসিগী হোস্পিতালশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি মেনশিনবা ঙম্নবা হোৎনবদা ঙসিগী ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিনা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি।

হোমদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ হৌখিবা এপ্রিল ১৪ দা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদগী কৈশাম ইবোমচা অমদি কৈশাম ওংবী বিলাসিনি অনিনা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মচানুপা কৈশাম তোন্দোন লৈখিদবগী কুমওনগা মরী লৈননা হোম অসিগী অঙাংশিংদা চাক্লেন অমা পীজখ্রে। লোয়ননা হোম অসিগী অঙাংশিংগীদমক ফুটবোল, ক্রিকেট বেট, বোল অমদি ষ্টেসনরি আইটেমশিং তেংবাংখি।

মখা তানা হৌখিবা এপ্রিল ২১ দা বাসিখোং সমিটি ইম্ফাল ইষ্টকী মেম্বরশিংনা হোম অসিদা লাক্তুনা সাই অরধনা নরায়ন সেভা ২০১৯ হোমদা পাঙথোক্তুনা হোম অসিগী অঙাংশিংদা চাক্লেন অমা পীজখ্রে। লোয়ননা মীতৈ চেং কিলো ২৫, অচাথাও লিটর ১, হৱাই, প্লাষ্টিক বকেট ৩, কোম্পাক ১, সরফ, সাপোন্নচিংবা পোৎলম কয়া তেংবাংবীরম্লে। তেংবাং পীরম্বা খ্বাই খিবিকপু হোম অসিগী মেনেজিং কম্মিটিনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়না য়াইবীলেন চিল্ড্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবী সনাপাৎকী চেরোল অমনা হায়রি।

এ আর ও ৩ গী মখাদা রিপোল পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইরে ভোটরশিংনা শক্তাক চে পাইরগা ভোট থাদবীয়ু ঃ *রঙ্গিতাবলি*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ থা অসিগী হৌখিবা ১৮ দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখল অসিগী মতুংদা ই সি আইনা হয়েং এপ্রিল ২৪ দা রিপোল পাঙথোক্লবগীদমক অয়াবা পীরকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দ্র ৪ গী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ অসিদা ঐ আর ও ৩ গী মখাদা এসিষ্টেন্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিসনর য়াওনা এস দি সি / এস দি ও শিংনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা প্রিসাইদিং ওফিসার ওইদুনা মীখল অসিগী রিপোল পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শাবা লোইরে হায়না পোরোম্পাৎতালৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দি সিগী ওফিস কাদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দি সি রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মীখল অসিগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা কেন্দ্র ৪ হৈঙাং, থোংজু, কৈরাও অমদি অন্দ্রো কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ দা হয়েং এপ্রিল ২৪ দা ই সি আইনা রিপোল পাঙথোক্লবগীদমক অয়াবা পীরকখ্রবা মতুং কেন্দ্র ৪ অসিদা এ আর ও ৩ গী মখাদা মীখল অসিবু মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

ই সি আইগী মখাদা হয়েং হৈঙাং কেন্দ্রগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ২। ২৩, ২/২৬, ২/৩১, ২/৩২ অমদি ২/৩৩, থোংজু কেন্দ্রগী ওইনা ৫/৩২, কৈরাও কেন্দ্রগী ওইনা ৬/৬, ৬/১০, ৬/২০ অমদি ৬/৩৫ অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্রগী ওইনা ৭/৩২ অমদি ৭/৩৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপোল অসিদা হৈঙাং অমসুং থোংজুগী ওইনা এ আর ও অমমমগী মখাদা অমদি কৈরাও অমদি অন্দ্রোগী ওইনা এ আর ও অমগী মখাদা পাঙথোক্কনি।

পোল্লিং ষ্টেসন ১২ গী ওইনা রিপোল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা চিফ ইলেক্সন ওফিসার (সি ই ও) গী অয়াবা য়াওরগা পোল্লিং ষ্টেসন অসিগী মনুং অমসুং মপান্দা ৱেব কাষ্টিং তৌগনি। পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুং অমসুং মপানগী লাইভ কোভরেজ অদু সি ই ও অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা উবা ফংনবগী খুদোংচাবশিং অদু থমগনি।

রিপোল তৌগদৌরিবা অসিদা ভোটরশিংনা ভোট থাদবা লাকপা মতমদা ই সি আইনা মেন্দেদেট লিষ্ট ওইনা পীরিবা দোক্যুমেন্ট ১২ ভোটর আই দি ইপিক কার্দ, পাসপোর্ট, দ্রাইভিং লাইসেন্স, সার্ভিস আই দি কার্দ, পাসবুক (বেঙ্ক নত্রগা পোষ্ট ওফিসনা ইসু তৌবা) পান কার্দ, স্মার্ট কার্দ (মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরনা পীবা) এন আর ই জি এ জোব কার্দ, হেলথ ইন্সুরেন্স স্মার্ট কার্দ, পেন্সন দোক্যুমেন্টদা ফোতো য়াওবা অধার কার্দ অমদি ওফিসিয়েল আই দি কার্দশিং অসিদগী অমা পাইবীরগা বুঠ লেভেল ওফিসারশিংনা ভেরিফাইদ তৌরবা মতুং ভোটরশিং ভোট থাদবগী খুদোংচাবা পীগনি।

রিপোল অসিগী পোল্লিং পার্টি অসিদা প্রিসাইদিং ওফিসারশিং অসি জেনরেল ওবজার্ভরগী মমাংদা রেন্দমাইজেসন তৌরগা থাগনি। রিপোল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংগী সেক্টর ওফিসার অমমম থমদুনা মেজিষ্ট্রিয়েল পৱার পীগনি। লোয়ননা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা কৈরাও কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন অসি ক্রিটিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা লৈখিবনা হন্দক্কী রিপোল অসিদা সেক্টর ওফিসার অসিগী মথক্তা মাইক্রো ওবজার্ভর থমদুনা কুপ্না য়েংশিনগনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রিপোল অসিবু মপুং ফানা অমদি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ভোটরশিংনসু মতম চানা থোরক্তুনা শরুক য়ানবগীদমক ঙরাংদগী হৌনা লোকেল ক্লব অমদি মৈরা পাইবীশিংগা খুৎশম্নরগা এ আর ওশিংগী মোনিটরিং মখাদা পব্লিসিটিনচিংবসু তৌখ্রে। রিপোল অসিবু মায় পাক্না অমদি ত্রান্সপরেন্ট ওইনা শান্তি লৈনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম, পোলিটিকেল পার্টি, কেন্দিদেট, পোল্লিং এজেন্টশিং কো-ওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোঙদোকখিবদা, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র ৪ গী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ গী ওইবা রিপোল অসিদা পি ঐচ ক্যুগী দিরেক্সন মতুং ইন্না পোল্লিং ষ্টেসন অমদা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অসি প্লেতুন অমদগী তাদনা থম্নবা পীরি। মসিগী মতুং ইন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫ দা সেক্যুরিটি পার্সোনেল প্লেতুন ২ পোল্লিং ষ্টেসন ৭ তা প্লেতুন ১/১ শিজিন্নগনি। মসিদা মরুওইনা সি আর পি এফশিংনা মরুওইনা শিজিন্নগনি।

ষ্টেট ফোর্সকী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা পুলিস পার্সোনেল ৪০, এস আই, এ এস আই, ৱুমেন পুলিস পার্সোনেলশিং য়াওনা থমগনি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা লেয়র মরোল-মরোল ঙাক্লগা ভোটরশিংগী আইদেন্টিটি কার্দশিং নিংথিনা ভেরিফাইদ তৌরগা ভোট থাদবা চংহনগনি।

রিপোল অসিদা অতোপ্পা মফম নত্রগা জগাশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা লো এন্দ ওর্দর প্রোব্লেম তৌবীদনবা ইলেক্সন অসিবু শান্তি ওইনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ দি মণিপুর মাউন্টেনরি এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিয়েসন (এম এম টি এ) গী কমপ্লেক্স অমদি ওফিস মমাংগী লম্বীদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.২০ রোম তাবদা থোকখিবা বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না দি মণিপুর মাউন্টেনরি এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, স্পোর্টস ক্লাইম্বিং অসিগী শান্নরোইশিংগী ওইনা লাক্কদৌরিবা চহী ২০২০ গী তোকিয়ো ওলেম্পিক গেমগী প্রাক্টিস তৌরিবা শান্নরোইশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা শান্নরোই কয়াগী পেরেন্টশিং পুল্লিবা মফম অমা ওইরিবা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা নেস্নেল কম্পিটিসনশিং অমদি এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াদুনা মনা কয়া পুরক্লবা ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ক্লাইম্বিংশিংগী মশান্নদা মায় ঙাক্লিবা শান্নরোইশিংগী প্রাক্টিস তৌফম মফম অমা ওইরিবা অসিদা লাইবক থিবা থৌদোক হায়বদি বোম পোকখাইহনবগী থবক চথরক্লিবা অসি এসোসিয়েসন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লোয়ননা শান্নরোইশিংনা অয়ুক-নুংথিল, নুমিদাং খাইদনা প্রাক্টিস তৌরিবা মফম অসিদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহনবীদনবা এসোসিয়েসন অসিনা অপিল তৌরক্লি।

পদ্মশ্রী নবকিশোরনা ইবা লাইরিক্কী অনৌবা এদিসন ফোংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ য়ুরেম্বমদা লৈবা এল জি লাইশ্রম গোপাল রোজ গার্দেন্না থৌবু ওইনা শিন্দুনা ঙসি গার্দেন অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সোসিয়েল ৱার্কর অসিগী অপোকপা মপা পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশোর (ফাদর ওফ হেন্দিকেপ) না ইবা ‘চুম্মী হায়না লৌবীব্রা? লাল্লি হায়না লৌবীব্রা?’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী বেঙ্গলি অমসুং মীতৈ ময়েক্কী ২১ শুবা এদিসন অমদি ‘নুং লৈবদা মনা-মশিংগী লায়েং’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী ১৫ শুবা এদিসন ফোংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোম টি ভিগী এদিটর জিৎ নিঙোম্বমনা চিফ গেষ্ট, পদ্মশ্রী নবকিশোরনা প্রসিদেন্ট, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী রিটয়ার্দ মেনেজর এল বিহারি, ইম্ফাল কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এম প্রিয়োব্রতা, বেঙ্গোলি ময়েক্কী অফোংবী শ্রীমতি অহৈবম গুনি অমদি মীতৈ ময়েক লাইরিক্কী অফোংবা শরদকুমার লোংজমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা প্রিন্সিপাল প্রিয়োব্রতানা লাইরিক অসিগী মরমদা শক তাকখি হায়রি।

এসোসিয়েসন ফোর পাওনা মেমোরিয়েল আর্ট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিসনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা ১২৮ শুবা খোংজোম লাল নিংশিং থৌরম

শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ নোংমাইজিং চীংদা শাগৎলিবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইনিংকোলগী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহি কিয়োং শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি।

শেলগী তেংবাং পীনরকখিবশিং অদুদি, চিংঙাংবম দিনমনি উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, কোন্সম পিশক উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, মাখোনমনি মোংশাবা উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, য়েংখোম সনাহনবী উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,১০০, মাইবম নিলাচন্দ্র শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, সাপম ওংবী অমুসনা উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, এলাংবম গোপাল সিংহ উরিপোক পোলেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,১০০, আর কে বুধিসনা সিংহ উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, তয়েঙ্গম ধিরেন সিংহ উরিপোক খাইদেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, থিঙোম সুনিতা শিংজমৈ চীংঙামখা ইরোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, শৌগ্রাকপম ওংবী থাগোই মোংশাঙ্গৈ মনিং লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, নোংথোম্বম রাজেন্দ্র চীংঙামথক পিশুম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, থোকচোম খোলেন্দ্র কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, নোংমৈকপম গোমতি উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, মোইরাংথেম কৈরুংবম উরিপোক পোলেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, জেমস য়েংকোকপম শিংজুবুং লৈরক নাগামপালদা লৈবনা লুপা ১,০১০, য়ুম্নাম শকহেনবী উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,১১১ অমদি লোকেন্দ্রো চিংথাম কোন্থৌজম মনি লৈকাইদা লৈবনা লুপা ৩,০০০ শেল ওইনা তেংবাং পীরক্লে হায়না লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাংলুপ শঙলেন ইম্ফালগী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঞ্জোর খুমনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ঈ দান তৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ২৬ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ ফাওবা লাইফ সেভরস মণিপুর অমদি উরুপ অরাপতি দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি, ইবুধৌ পুরেরোম্বা ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন, অরাপতি মনিং লৈকাই য়ুথ ক্লব, ঐচ দি এফ সি বেঙ্ক ইম্ফাল, ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম অমদি রিমস ব্লদ বেঙ্ক লম্ফেলগা পুন্না খুৎশম্নদুনা শিন্দুনা ১২৮ শুবা ফ্যুনরেল এনিভর্সরি ওফ মেজর জেনরেল পাওনা ব্রজবাসি ২০১৯ গা মরী লৈননা ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প এন্দ কেম্পেইন ২০১৯ গী থৌরম অসি অরাপতি মনিং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইফ সেভরস মণিপুর ৱাংখৈগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মেজর জেনরেল পাওনা ব্রজবাসিগী মোংফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। মরম অসিনা লমদম অসিদা লৈবীরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, ইন্সটিট্যুসন, মহৈলোইশঙশিংগী পুকচেল চাওরবা-চাওরবী খ্বাই খিবিক্না নুমিৎ অসিদা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা ১২৮ শুবা ফ্যুনরেল এনিভর্সরি থৌরম অসিদা মোংফমদা লৈশু কৎপা অমদি ভল্যুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মীয়ামনা মতম চানা শরুক য়াবীনবসু অপিল তৌরক্লি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ হুইয়েন লাল্লোং মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুংনা হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎ ‘খোংজোম দে’ পালন পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী গুরু কে সনাথোইবা শর্মানা ময়াই তংবল লৌখি। লোয়ননা ইরৈবাক ইজাতিগী নিং-তম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা পাওনা ব্রজাবাসি য়াওনা অথৌবশিংগী ফোতোদা থাংগী সেলুট পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈসু কৎখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা এসোসিয়েসন অসিগী ষ্টাফ, আর্টিষ্ট অমসুং মহৈরোইশিংনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্লুনা ঈশ্বরদা পর্থা তৌখি হায়রি।

PERMANENT CURE

(অন্তৌবা শকপা)

[illegible]

(ভাং-ভাং চিকপা)

[illegible]

(দাইবেটিসগী প্রোগ্রেম)

[illegible]

(নুংশং)

[illegible]

(নুপাগী প্রোগ্রেম)

[illegible]

(নুপীগী প্রোগ্রেম)

[illegible]

Dr. (VAID) R N GUPTA (396)

Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream

Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking

খোংজোম দে থৌরমগা মরী লৈননা খোংজোম তুরেলদা গভর্নরনা লুচিংদুনা তর্পন কৎপা

খোংজোম লান্দা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা মীতৈ পাঙল ৪৬ খঙবা ঙম্লে, মখা তানা থিজিনখিগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ মীখা পোন্দবা, নিং-খা তম্বা ইরমদম মণিপুরগীদমক্তা ইং ১৮৯১ দা খোংজোমগী খেবা চীংদা শোক্লখিবা মণিপুরগী অরোইবা নিং-তম লানফমদা থৱাই কৎখ্রবা মীতৈ পাঙল অথৌবা ৪৬ খঙবা ঙম্লে। মখা তানা থিজিনখিগনি হায়না মণিপুর মীতৈ পাঙল খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর স্টেটকী কনভেনর এম দি ইসলামনা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ১৮৯১ দা খোংজোম খেবা চীংদা শোক্লখিবা মণিপুরগী অরোইবা নিং-তম লানফমদা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা মীতৈ পাঙল অথৌবশিংবু নিংশিংদুনা মখোয়গী থৱাইবু মপুগী নাক্তা ইংনা-চিক্না লৈরুনবা মপুদা নিজবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর মীতৈ পাঙল খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর স্টেটনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি এম দি ইসলামনা ফোঙদোকখিবনি।

লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা ইসলামিক কলচরেল এন্দ এদুকেস্নেল গাইদ সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথৌবশিংবু নিংশিংদুনা কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা, জেলিয়াংলোং য়ুনিয়ন অসাম, নাগালেন্দ অমদি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর চন্দ্র হাওমী, দি এম কম্যুনিটি কলেজগী দাইরেক্টর ডাঃ রৈহিজুদ্দিন সৈখ, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট এল রতন, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট মাজবর, জিতেন্দ্র নিঙোম্বা, সি সি এস কেগী প্রসিদেন্ট রাজেন, এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট ফুর্তৈ দ্রময়ুম অব্দুল্লাহ জে সি আই এল পি এসকী কো-কনভেনর এম দি খৈরুদ্দিন সৈখ, এস দি ও লিলোং হুইদ্রোম শ্যামসন, এদিস্নেল এস পি অল্লাহজ অব্দুল কলাম, হ্যুমেন রাইট কউন্সিল মণিপুরগী সেক্রেটরি এদভোকেট রবি খান্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম দি ইসলামনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীতৈ পাঙলশিংনা লমদম অসিগী নিং-খা তম্না লৈনবা অমদি থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঙসিসু ইমা লৈবাক ইরমদমগীদমক্তা হনবা লৈতনা হোৎনখিগনি। লোয়ননা দরকার লৈরবদি থৱাই ফাওবা কৎথোকখিগনি। অদুমকপু মৈহৌরোলদগী নুংশি-চান্না অমত্তা ওইনা হিংমীন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা ঈগী মরী অদু অমুক-অমুক কাওথোক্লবগুম তৌরকপা অসি য়াম্নমক লাইবক থিবনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তৎনা-থানবা য়াদ্রবা মরী লৈ হায়বা অসি ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোলশিংদা খঙহনবনা লমদম অসিগী তুংগী লম্বীদা শান্তি লৈবা চাওখৎপা ইরমদম অমা ওইগনি হায়বা অসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙ্গবা মতম ওইরে। মরম অসিমক্না ঙসি মণিপুর মীতৈ পাঙলনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর স্টেটনা ঙসিদগী হৌরগা খোংজোম লান্দা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা মীতৈ পাঙল ইপা-ইপুশিংবু নিংশিংদুনা তুংগী মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌরম অদুদা নিংথৌজা লানচানা হায়, লানফম অদুদা লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা মীতৈ পাঙল, নাগা, কুকি খুদিংমক্কী অহল-লমনশিংনা ইরমদম অসিগীদমক্তা নোক্না-নোক্না থৱাইনা পোন্থা পীখিবনি। মশক খঙহৌদ্রবা অথৌবা খুদিংমক খঙদোক্লগা তুংগী মীরোলনা খঙনবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী সেলেবসতা হাপ্পা মথৌ তাই।

মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী নিংতম লান তাইশিন্নবা য়ারোইদবা লৈই অনিনিঃ *কোরকোম*

*ঙরাংগী মখা...*আইননা থিংখ্রবা কোরকোমগী মেদিয়া কোওর্দিনেটর লৈবাক ঙাকপা লুৱাংগী চেরোল অসিনা মখা তনা হায়রিবনা শাংলবা মণিপুরগী পুৱারি অসি হঙ্গৎনা য়েংবদা ইং কুমজা ১৯৪৭ ত বৃটিশ না শেন্দ্রিরম্বদগী নিংতম্বা লৈবাক অমা ওইবা ফংজহৌরবা ইন্দিয়াগা মণিপুরগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনরক্তে। অদুবু লৈবাক অনি অসি মরি লৈনবা মালহল্লিবসি ইং কুমজা ১৯৪৭ গী আগষ্ট ১১ গী স্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অমসুং ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসসন লোয়ননা লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ গী সিল্লোংদা তৈনখিবা হায়রিবা মণিপুর মীয়াম্ন য়াদবা মর্জর এগ্রিমেন্টনি হায়রিবা অসিনি। অদুবু য়ান্ন চেনি হায়রিবা অনিমক মালেমগী লোগী মীৎয়েংদগীদি চৎনবা য়াবা অমত্ত ওইদে। আগষ্ট ১১, ১৯৪৭ দা বৃটিশ প্রোটেক্তোরেট–মণিপুর অমসুং বৃটিশকী লোইলম–ইন্দিয়া লৈঙাক অনিনা খুংয়েক পীনখি হায়রিবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসসন অমসুং স্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অনি অসি মালেমগী লোগী মীৎয়েংদা য়াদে। মসিগী মরমশিংদি অহানবদা, বৃটিশ প্রোটেক্তোরেট ওইনা লৈরিবা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রনা ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭ লৈত্রিঙৈদো ত্রিটি অমত্ত ইন্নবা ঙমদে। ইন্দিয়াসু বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা লৈবনা অতোপ্পা লৈবাক লৈঙাক্কা য়ান্ন চে খুংয়েক পীনবা ঙমদে। য়ান্ন চেঅসি ইং কুমজা ১৯৬৯ গী ভিয়েন্না কনভেন্সন ওন দি লো ওফ ত্রিটিস (ভিসিএলটি) গী আর্টিক্ল ৬, ৭ অমসুং ৮ কী মতুংইন্না লিগেল ভেলিদিটি লৈতে। ভিসিএলটি অসি রিত্রোএক্তিভ ওপরেসন লৈতে অদুবু ত্রিটি শেন্নবগী চৎন কাংলোনগী য়ুম্ফম খরদি মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্না য়ানরবা চৎনদুনা লৈরম্লবা কস্টমরি নোর্মসশিংকুসু মসিদা শাগোন্নরি। মরম অদুনা হায়রিবা কস্টমরি কেরেক্তর ওইরিবা কাংলোনশিং অসিগী মতুংইন্না ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসসন অমসুং স্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অনি অসি মালেমগী লোগী মীৎয়েংদগী চৎনবা য়াদে মরমদি লৈঙাক অনিমক খুংয়েক ইন্নবগী মতিক মঙম লৈতে। অনিশুবদা, ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসসন অমসুং স্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অসি বৃটিশ ইন্দিয়া গর্ভর্নমেন্টগী মহুৎ শিন্দুনা মতমদুগী গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট, ১৯৩৫ কী মতুংইন্না শেমখিবা য়ান্ন চেরোলশিং ওইবনা ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭ গী সেক্সন ৭ (১)(বি) গী মতু ইন্না অদুগুম্বা য়ান্ন চেরোলশিং বৃটিশ (ইন্দিয়া) গর্ভর্নমেন্ট অমসুং প্রিন্সলি স্টেটশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা চৎনরম্বা পুম্নমক ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ জুলাই ১৮, ১৯৪৭ তগী মখায়গী লিগেল ভেলিদিটি লৈহনখিদ্রে। ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মণিপুরবু মালেমগী চৎন কাংলোন পুম্নমক খোংগাওনরগা ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখি। ভিসিএলটিগী আর্টিক্ল ৫১ অমসুং ৫২ গী মতুংইন্না লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্ন ৱারোল খুংয়েক তৈনবা মতমদা লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মীহুৎ অদুবু নম্ফু শিজিন্নরগা নৎত্রগা কিহন খঙহল্লগা তৈনখিবা য়ান্ন চে অদু চৎনবা য়াদে, মালেমগী চৎনরিবা কাংলোননা শক খঙলোই। মসিনা মরম ওইরগা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪০ গী মর্জর এগ্রিমেন্টনি হায়রিবা অসি লিগেল ভেলিদিটি লৈতে। পুম্নমকসিগী মথক্তা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২৮ দা মতমদুগী মণিপুর কন্সটিটুসন এক্ট, ১৯৪৭ গী মতুংইন্না মীয়াম্না লান্না মীখল তৌদুনা শেমখিবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী মীফম্না সিল্লোংদা খুংয়েক তৈনখিবা ২১ সেপ্টেম্বরগী এগ্রিমেন্ট অদুবু মণিপুরগী সোভরেইন ইন্দিপেন্দেন্সতা শিংনবনি, অমদি লমদম অসিবু ইন্দিয়ানা নম্নৈ লৌশিনবনি হায়না মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি। ১৫ আগষ্ট, ১৯৪৭ দা শেমখিবা ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্টকী মতুংইন্না মতমদুদা প্রিন্সলি স্টেটশিং অমসুং দোমিনিয়ন গর্ভর্নমেন্ট অনিমক্কী লোগী চপ মান্নবা থাক্তা লৈখি। লোয়ননা মণিপুর অসি সোভরেইন ইন্দিপেন্দেন্টকী থাক্তা লৈখি হায়বসি ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা ইং কুমজা ১৯৫৪ দগী হৌনা (১) ভিরেন্দ্র সিংহ ভর্সেস স্টেট ওফ য়ুপি (এআইআর ১৯৫৪ ৪৪৭), (২) দি স্টেট ওফ শৌরাষ্ট্র ভর্সেস মেমোম হাজি ইস্মাই (এআইআর ১৯৫৯ এসসি ১৩৮৩), (৩) শ্রী রঙ্গনাথরাও গনপতরাও ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এআইআর ১৯৯৩ এসসি ১২৬৭) নচিংবা কেসশিংদা পীখিবা ৱায়েলশিং অদুনা ময়েক শেংনা তকখ্রবনি। মণিপুরবু ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা নমদুনা তিনশিনখিববু ইং কুমজা ১৯৯৩ গী ওক্টোবর ২৮–২৯ দা পাংথোকখিবা মণিপুর পিপলস দিমোক্রেটিক কনভেন্সননা এন্নেক্সেসননি। লিগেল ভেলিদিটি লৈতে হায়খিবগা লোয়ননা ইং কুমজা ১৯৯৪ গী দিসেম্বর ৮–৯ দা পাংথোকখিবা নেসনেল সেমিনার ওন হ্যুমেন রাইটসনসু মর্জর এগ্রিমেন্টনি হায়রিবসিগী লিগেল ভেলিদিটি লৈতে হায়খি। মথক্তা পনখ্রিবা পুৱারিগী তাঙ্ককশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিং মরুওইনা মণিপুর অমদি মতমদুগী সোভরেইন পৱারশিংগা লৈনরম্বা ইন্টরনেসনেল রিলেসনশিংনা তক্লিবদি লমদম অসি মতম অমদা বৃটিশ লৈঙাক্না অঙ্গলো–মণিপুর ৱার ১৮৯১ দা মায়থিবা পীদুনা বৃটিশ এম্পাইয়রগী প্রোটেক্তোরেট অমা ওইনা লৈরকখি হায়বসিনি। ইং কুমজা ১৯৪৭ দা ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট চৎনরবা মতু মশাগী মাংলুরবা সোভরেইন ইন্দিপেন্দেন্ট স্টেটস অমুক হঞ্জিন্দুনা ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা ইন্দিয়ানা অমুক বৃটিশকী মতৌ তমদুনা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবদুনা ইরমদম অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি নৎত্রগা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈবাক অসি ইন্দিয়াগা মরি লৈনরকই হায়বা য়ারোই হায়বনি। হেন্না নুংঙাইরিবদি ইন্দিয়ানা লৈবাক কয়া থেমদুনা নৎত্রগা নমদুনা অঙম্বা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা লৌশিল্লবা মতুদা লৈবাকশিং অদু ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদগী অমুক হান্না নাম্নেক্তনা চৎখিদনবা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মনুংদা লৈরবা লৈবাকশিং অদুগী হান্না লৈজরম্বা নিংতম্বগী পুৱারিগা মরি লৈননা থৌরম অমত্তা পাংথোকহন্দনবা হোৎনরিবা অসিনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি ইং কুমজা ১৯৭২ গী আগষ্ট ১৩ দা অহানবা ওইনা বির তিকেন্দ্রজিৎ পার্কত “মরৈবাকনিংবশিংগী নুমিৎ” পাংথোক্লবা মতমদুগী পোলিটিকেল পার্টি মণিপুর পিপলস পার্টি (এমপিপি) না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অদুনা থৌরাং তৌখি। থৌরম অদু পাংথোকপা য়ারোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না চিফ সেক্রেটরি কৃষ্ণরতি অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস মদন গোপালগী খুখান্দা অথিংবা থল্লকখি। অদুবু সেন্টরগী অথিংবা ফিরেপ অদু নমখাইদুনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখলনা অকি অখণ্ড লৈত্রবা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা অনি চিফ মিনিষ্টর এমদি অলিমুদ্দিন অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টর ফুলাম য়াইমানা লুচিংদুনা থৌরম অদু মীয়ামগা লোয়ননা তেক্ত কায়দনা পাংথোকখি। লুচিংবা অনিগী থৌনা অদু উবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না করিসু তৌবা ঙমখিদে। থৌদোক অসি মতম অসুক কুইরবা ফাওবা কনাসু খঙলখিদে। ৱাই য়াইমানা কোন্নথংদা পাড্রিসো ফেংদোরক্লবা মতমদত খঙলরকখি। হৌজিকসু ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫এ লৌথোক্তুনা কাশ্মিরনা ইন্দিয়াদা তিনবা মতমদা য়াওরক্লবা ওটোনোমি লৌথোক্লবা হোৎনরি। অদুবু মরমদম নুংশিজবা কাশ্মিরগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অনি মেহবুবা মুফতি অমসুং ওমার অব্দুল্লাহনা মখোয়বু এন্টি ইন্দিয়াননি হায়জরবসু করিগুম্বা কাশ্মিরদগী আর্টিকল অনি অসি লৌথোক্তুনা কাশ্মিরগী ওটোনোমি লৈহন্দ্রবদি স্টেট অসি ইন্দিয়াদগী তেক্কনি হায়রি। অসিগুম্বা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল্লোন অসি ফম খক্তবু মীহৌবা ঙসিগী মণিপুরদা লৈরিবা লুচিংবা শাবা পোলিটিসিয়ানশিংগী মফমদদি লৈবা উদ্রে। মখোয়না মিনিষ্টর ফম শোয়দ্রগা লোয়রে হায়দুনা সেন্টরগী য়াথং ইন্দুনা নৎত্রগা সেন্টরনা হায়রকপা হায়রক্তবা থিদনা মপুনা য়ানবা চৎপদা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থবক কয়া লেপ্পনা তৈরক্লি। পুম্নমক অসিনা তক্লিবদি ঙসি মণিপুরনা নিংতম্বা, মালেমগী মীয়ামগী মাংদা ফুরুপ অমা ওইবগী মশেক মঙাল লৈনা, নুংঙাই য়াইফনা, চাওখৎপা করিনো খঙনা হিংগে হায়রবদি মদু ঙসিগী ইরমদমদা লৈরিবা হংলাই লৈঙাক নৎত্রগা ইন্দিয়াগী কাংলুপ ফুরুপ নাইবা লৈঙাক অসিনা পুরক্কদবা নত্তে। ইরমদম মণিপুরগী মীয়াম্না শরুক য়াবা নিংতম লান অমনা ইরৈবাকপু নিংতমহল্লবা মতমদা লাকপা নিংতম্লবা মীয়ামগী লৈঙাক অদুনা পুরক্কদবনি। ৱাফম অসিদং খংমীন্নদুনা থবক পায়খৎমীন্নবা হৌরবদি ঐখোয়গী নিংতম লানগী খোংজং মায়পাকপগী লম্বীদা তখায় হেন্না চংশিল্লবনি। হৌজিক ঐখোয়গী মাংদা তারিবা ঐখোয়না পাংথোক্কদবা অহানবা থৌদাংদি চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক নিংতম্বা মণিপুর অমা হান্না পুরকপনি হায়রি।

প্রেমিয়ম

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

CLASS-XI & XII FOUNDATION COURSE 2019

Special concessions for COMET School students for foundation Course.

FIRST COME FIRST SERVE

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road Imphal